# সী দব্লিয়ু জি ২০২২ : বোক্সর নিখট জারিন, নিতু ঘনঘস, অমিট পনগল অমদি এথলিট এলদোস পোলনা গোল্ড লৌখ্রে





বর্মিংহম, ওগষ্ট ০৭ (এজেন্সী):
য়ুনাইটেদ কিংদমগী বর্মিংহমদা চত্থরিবা ২২ শুবা কমনৱেল্থ গেমস (সী দব্লিয়ু জি)কী ঙসি তরানি শুবা নুমিৎতা ইন্দিয়াগী বোক্সর ৩- নিখট জারিন, নিতু ঘনঘস অমদি অমিট পনঘল; রেষ্টলর রবি কুমার দাহিয়া, ভিনেশ ফোগট অমদি নভিন; এথলিট এলদোস পোল অমসুং পেরা পেদ্দলর ভাবিনা পটেলনা ইন্দিয়াগী ওইনা গোল্ড মেদল ৮ লৌবা ঙমখ্রে।

এথলিট অব্দুলা অবুবাকরনা নুপাগী ট্রিপল জম্প অমদি শরথ কমল অমসুং সাথিয়ান গনাসেখরননা টেবল টেন্নিসকী নুপাগী দবলস ইভেন্টতা সিলভর মেদল ফংবা ঙমখ্রে।

অতোপ্পা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় ১১-জাইস্মিন লম্বোরিয়া (বোক্সিং), পুজা গেহলোট (রেষ্টলিং), পুজা সিহাগ (রেষ্টলিং), দিপক নেহরা (রেষ্টলিং), মহমদ হাসামুদ্দিন (বোক্সিং), সোনলবেন পটেল (পেরা টেবল টেন্নিস), রোহিট টোকাস (বোক্সিং), সন্দিপ কুমার (এথলেটিক্স), অনুরানী (জেভলিন থ্রো), দিপিকা পলিকল অমদি সৌরভ ঘোশালগী প্যেরনা (স্কৱাশ মিক্স দবলস) অমদি ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কী টিমনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখি।

ইন্দিয়ানা হৌজিক ফাওবদা গোল্ড ১৭, সিলভর ১৩, ব্রোঞ্জ ২০ পূন্না মেদল ৫০ ফংদুনা মেদল টেল্লিগী ৫শুবা মফমদা লৈরি।

নিখট জারিননা বোক্সিং মশান্নগী নুপীগী লাইট ফ্লাইৱেথ কেটেগোরিগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল বাউটতা আইরলেন্দগী কার্লি মেকনোলবু য়ুনানিমস দিসিজন ৫-০দা মায়থীবা পীদুনা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখি। অদুগা নিতু ঘনঘসনা নুপীগী কেজি ৪৫-৪৮ কাঙলূপ্তা ইংলেন্দগী দেমি-জেদপু ৫-০দা মায়থীবা পীদুনা গোল্ড মেদল ফংখিবনি।

অমিট পনঘলনা ইংলেন্দগী কাইরন মেকদোনাল্ডবু নুপাগী ফ্লাইৱেথ কেটগোরিগী ফাইনেল বাউটতা ৫-০দা মায়থীবা পীদুনা গোল্ড ফংখি।

রেষ্টলিং মশান্নদা রবি কুমার দাহিয়া অমদি নভিননা নুপাগী কেজি ৫৭ অমদি ৭৪গী কাঙলূপ্তা অদুগা ভিনেশ ফোগটনা নুপীগী কেজি ৫৩গী কাঙলূপ্তা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখি।

ভাবিনা পটেলনা পেরা টেবল টেন্নিসকী ৱিমেন্স সিঙ্গলসকী ফাইনেলদা নাইজেরিয়াগী খৃষ্টিয়ানাবু ১২-১০, ১১-১২, ১১-৯দা মায়থীবা পীদুনা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখি।

এলদোস পোলনা এথলেটিক্সকী নুপাগী ট্রিপল জম্প ইভেন্টতা গোল্ড মেদলশিং ফংবা ঙমখি।

হোক্কী মশান্নদা ইন্দিয়াগী নুপী হোক্কী টিমনা ন্যু জিলেন্দবু পেনাল্টি শুটআউটতা ২-১দা মায়থীবা পীদুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখিবনি।

বেদমিন্টন মশান্নগী মেন্স সিঙ্গলস ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী নহা ওইরিবা শট্লর লক্ষ্য সেননা মোরিসিয়সকী জুলিয়ন জোর্জ পোলবু ২১-১২, ২১-১১দা মায়থীবা পীদুনা সেমীফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে। চহী ২০ খক্তা ঙাইরিবা সেননা জিয়া হেং টেহগা সেমীফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি।

ইন্দিয়াগী এস শট্লর পি ভি সিন্ধুসু ঙসি শান্নখিবা ৱিমেন্স সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা মালেসিয়াগী গোহ ৱৈ জিনবু মনিংদগী তানখৎলক্তুনা ১৯-২১, ২১-১৪, ২১-১৮দা মায়থীবা পীরল্লগা থংন-থংননা কমনৱেল্থ গেমসতা অহুল্লকশুবা ওইনা সেমীফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

| Country | G | S | B | T |
|---|---|---|---|---|
| Australia | 62 | 52 | 52 | 166 |
| England | 54 | 58 | 50 | 162 |
| Canada | 23 | 30 | 33 | 86 |
| New Zealand | 18 | 12 | 17 | 47 |
| India | 17 | 13 | 20 | 50 |
| Scotland | 11 | 10 | 25 | 46 |
| Nigeria | 11 | 8 | 14 | 33 |
| South Africa | 7 | 9 | 11 | 27 |
| Wales | 7 | 6 | 13 | 26 |
| Malaysia | 6 | 5 | 5 | 16 |
| Jamaica | 6 | 4 | 3 | 13 |
| Northern Ireland | 5 | 6 | 4 | 15 |
| Kenya | 4 | 5 | 7 | 16 |

# হুয়েন লানলোং নুমিৎ পাঙথোকখ্রে

## ওক্রম মংলেম মীতৈদা অচঙবা য়ূম্বীরেল মনা খুৎশিন্নখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৭ (ঐচ এন এস):
অপূনবা মণিপুর হুয়েন লানলোং লূপনা শীন্দুনা হুয়েন লানলোং নুমিৎ থৌরমগা লোয়নননা লূপ অসিগী ৬লক শুবা মপোক কুমওন ঙসি ইম্ফাল ইষ্টকী থোংজুদা লৈবা ইবুধৌ থোংজুলাকপা লাইপুংদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরমগা মরী লৈননা খোংমন ওক্রম চুথেক্তা লৈবা মশাগী চহী ৭৩ শুরবা শীন্তাকঅহল ওক্রম মংলেম মীতৈদা হুয়েন লানলোংগী অচঙবা য়ূম্বীরেল মনা খুৎশিন্নখি।

মনা অসি অপূনবা লূপনা হুয়েন লানলোংগী মহৈ অসিবু য়োকখৎপা, চাউখৎনবা হোৎনদুনা লাক্লবা অমদি মহৈ অসিগীদমক পুন্সি কথোক্তুনা লাকপবু শকখঙদুনা ইকায় খূম্নবা ওইনা পীবনি।

থৌরমগা মরী লৈননা অপূনবা মণিপুর হুয়েন লানলোং লূপকী জেনরেল সেক্রেটরি ইনাওনা ফোঙদোকখিবদা, মথং চহী ২০২৩দগী লমদম অসিদা লৈরিবা হুয়েন লানলোং (থাঙ-তা)গী চহী ৪০গী মথক্তা লৈরবা শীন্তাকপা অমদা অখন্নবা মনা অসি লান্থোক্লগনি হায়খি।

মহাক্না মখা তারদুনা থাঙ-তা মশান্না অসিবু লমদম অসিগী মীয়াম্না হেন্না মশক থোক্না চাউখৎনবগীদমক মতেং পাংবীয়ু হায়খি।

থৌরমগা মরী লৈননা হুয়েন লানলোংগী ওইবা কাঙলোন কয়া- থাঙ চাইনবা লৈতেং, শাজেল কাঙলোন, থাঙ-তা চাইনবনচিংবা কাঙলোন কয়া মীয়ামদা উৎখি।

থৌরম অদুদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী ভাইস চাঞ্চেল্লর ডা. পাওনম গুনিন্দ্রোনা অথোইবা মীথুংলেন, অপূনবা মণিপুর হুয়েন লানলোং লূপকী প্রসিদেন্ট শীন্তাকঅহল ওক্রম মংলেম মীতৈনা থৌরম মপূ অদুগা পাথৌ থাঙ-তা পর্ফোর্মিং আর্টস সেন্টর কৈরাও খুনৌগী প্রসিদেন্ট পুথেম মঙ্গি, থাঙ-তা কলচরেল এন্দ রিসর্চ একাদেমিগী প্রসিদেন্ট প্রো. লৌরেম্বম জয়কুমার অমদি লোয়র্স ফোর হ্যুমেন রাইটস মণিপুরগী এগজিক্যুটিভ দিরেক্টর এদভোকেট মাইস্নাম কোরৌহনবা লুৱাংনা অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

অতোপ্পা লমদম অসিদা লৈরিবা হুয়েন লানলোং (থাঙ-তা)গী লূপকী থৌপুরোয়শিং, শান্নরোয় কয়াসু শরুক য়াখি।

# এল নেতানা সিনিয়র মিষ্টর ইম্ফাল ৱেষ্টকী টাইটল লৌখ্রে




ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৭ (ঐচ এন এস):
ওল মণিপুর বোদি বিল্ডর্স এসোসিএসন (অম্বা)গী লমজিং মখাদা বোদি বিল্ডর্স এসোসিএসন ওফ ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টনা শীন্দুনা ১৮শুবা মিষ্টর ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট বোদি বিল্ডিং চেম্পিয়নশিপ ঙসি লাঙ্গোল নিংথৌ শঙলেন্দদা পাঙথোকখিবগা লোয়নননা য়ুনাইটেদ জিম নাওরেমথোংগী লাইশ্রম নেতানা সিনিয়র মিষ্টর ইম্ফাল ৱেষ্টকী টাইটল লৌখ্রে।

দি জিম রিবোর্ন নাগামপালগী থৌনাওজম মার্কো অমদি ফিটনেস ৱর্ল্ড শীংজমৈগী থোকচোম বোইবোইনা জুনিয়র অমদি মাষ্টর ইম্ফাল ৱেষ্ট অদুগা বোবি গোল্ডন ফিটনেস জিম চজিংগী মঙাল অরাম্বমনা মেন ফিটনেস ফিজিককী টাইটলশিং লৌবা ঙমখ্রে।

অম্বাগী পেবম মেধাজিৎ অমদি ষ্টার জিম ক্বাকৈথেলগী লোইতোংবম ফিলিপনা সিনিয়র কাঙলূপকী অনীশুবা অমদি অহুমশুবা পোজিসন তাখিবনি। জুনিয়র কাঙলূপ্তা ট্রেনর্স এন্দ ট্রেনী য়ুম্নাম হুইদ্রোমগী রোক্কীসন য়াংলেম অমদি রোয়ল জিম নিংঙোমথোংগী নোংথোম্বম নোঙ্গিসঙানবনা অনীশুবা অমদি অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

মাষ্টর কাঙলূপ্তা পাখংবা জিম লাংজিং অচৌবগী লুক্রাম কিরননা অনীশুবা অমদি হ্যুমেনিটি প্লস জিম উরিপোক্কী চিংথাংনাম্বমনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

মেন ফিটনেস ফিজিক কাঙলূপ্তা সুপর জিম খুরাইগী লাইতোঞ্জম গুলসননা অনীশুবা অমদি হ্যুমেনিটি প্লস জিমগী থৌনাওজম জোন্সননা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

হৌদোকপগী থৌরম অদুদা উরিপোক্কী এম এল এ, কে ঐচ রঘুমনিনা অথোইবা মীথুংলেন অমদি বি বি এ আই দব্লিয়ু দিগী প্রসিদেন্ট টি ঐচ অলেক্সনা থৌরম মপূ ওইনা শরুক য়াখি।

## মহারাজকুমার ঘনেন্দ্রজিৎ সুপর দিভিজন লীগ লোইশিনখ্রে

# অংথা ফুটবোল ক্লবনা ৱিন্নর ওইখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৭ (ঐচ এন এস):
ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসনগী এদহোক কম্মিটিনা শীন্দুনা চত্থরকপা মহারাজকুমার ঘনেন্দ্রজিৎ মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ ঙসি খুমন লম্পাক আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা লোইশিনখিবগা লোয়নননা অংথা এফ সীনা পোইন্ট ১৯ ফংলগা ৱিন্নর ওইখ্রে।

১১ ষ্টার স্পোর্টিং য়ুনিয়ন অকাম্পাংনা চপ মান্নবা পোইন্ট ১৯ ফংলগা গোল দিফরেন্সতা অনীশুবা অমদি উপা ক্যামগৈনা পোইন্ট ৮ ফংলগা ৩শুবা পোজিসন তাখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিদা টিম ৮না শরুক য়াদুনা জুলাই ১৮দগী হৌদুনা চত্থরকখিবনি।

আর্টিফিসিয়েল টর্ফ গ্রাউন্দদা ঙসি শান্নখিবা মেটচ নম্বর ২৭তা অংথা এফ সীনা অবা ক্ষেত্রিগাওবু লাকচনা ৭-২দা মায়থীবা পীখি।

অংথাগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু এস কফোই, সূর্য্যকান্ত অমদি সোমোকান্তনা ২/২ অদুগা খাইশিনা ১ চনখি। অবাগী গোল অনী অদুনা সিংতে কোম অমদি সোমোকান্তনা চনখি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা লীগ অসিগী অরোইবা মেটচতা উপা ক্যামগৈনা এস এ কে য়ুম্নাম খুনৌবু ৩-১দা মায়থীবা পীখ্রে। উপাগী গোলশিং অদু পরমজিৎ, মেরুন অমদি রোমিওনা চনখি।

# প্রেমিয়র লীগ : অর্লিং হালান্দগী গোলগী মতেংনা মেঞ্চেষ্টর সিটিনা ৱেষ্ট হাম য়ুনাইটেদপু মায়থীবা পীখ্রে



লন্দন, ওগষ্ট ০৭ (এজেন্সী):
অর্লিং হালান্দনা চনখিবা গোল ২গী মতেংনা মেঞ্চেষ্টর সিটিনা ৱেষ্ট হাম য়ুনাইটেদপু ২-০দা চত্থরিবা প্রেমিয়র লীগকী ঙসি কিং পাৱর ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অমদা মায়থীবা পীখ্রে।

অর্লিং হালান্দনা শান্নবগী ৩৬ শুবা মিনটতা পেনাল্টি অমগী মতেংদগী মেঞ্চেষ্টরগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। মহাক্কী অনীশুবা গোল অদুনা অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৬৫ শুবা মিনটতা চনখি।

অমরোমদা, ওল্ড ট্রেফোর্দ ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অমদা ব্রাইটন এন্দ হোভ অলবিওননা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদপু ২-১দা মায়থীবা পীখি।

ব্রাইটনগী মায় পাকপগী গোল অনী অদু পাস্কল গ্রোবনা শান্নবগী ৩০ অমদি ৩৯ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি। মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা ব্রাইটনগী এলেক্সিস মেক এলিষ্টরনা আউন গোল অমা শান্নবগী ৬৮ শুবা মিনটতা চনশিন্দুনা ওইবা ঙমখি।

অতোপ্পা কিং পাৱর ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অমদা লেষ্টর সিটি অমদি ব্রেনফোর্দ ২-২দা দ্রো ওইখি।

# ট্রান্সফোর্মেসন চেলেঞ্জ পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৭ (ঐচ এন এস):
থা ৩গী মনুংদা হকচাংগী অরূম-অয়াঙ শেমদোক্তুনা তিঞ্জং কায়জংদবা মশা-মউ ফবা খুন্নাই অমা শেম্নবগী পান্দমদা অপূনবা ফিটনেস সেন্টরনা শীন্দুনা ৯শুবা এ এফ সী ষ্টেট লেভেল ট্রান্সফোর্মেসন চেলেঞ্জ ২০২২ চহী অসিগী দিসেম্বর ১৭কী নুংথিল পুং ২দা পাঙথোক্লগনি হায়না নাগামপালদা লৈবা সেন্টর অসিগী শঙলেন্দা ঙসি পাউমীশিংগা উনবা অমদা সেন্টর অসিগী এদভাইজর লৈশাংথেম কুমার্জিৎ মীতৈনা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না মখা তারদুনা চেলেঞ্জ অসিগী অহানবা স্ক্রিনিং সেপ্টেম্বর ১১গী অয়ুক পুং ৯দগী নুংথিল পুং ১ ফাওবা নাগামপালদা লৈবা সেন্টর অসিমক্তদা পাঙথোক্কনি অদুগা ফাইনেল স্ক্রিনিংনা দিসেম্বর ১১গী অয়ুক পুং ৯দগী ১ ফাওবা পাঙথোক্কনি হায়খি।

চেলেঞ্জ অসিদা নুপা অমদি নুপীগী তোঙান-তোঙানবা কেটগোরি অনী লৈগনি। কেটগোরি অনীমক্কী অহানবা পোজিসনদা লুপা লাখ ১, অনীশুবা পোজিসনদা লুপা লিশিং ৫০, অহুমশুবা পোজিসনদা লুপা লিশিং ৩০ অদুগা চহী ৪০ মথক্কী ওইবা ৱিন্নর অমদি ফিজিকেল চেলেঞ্জকী ৱিন্নরদা লুপা লিশিং ১০/১০গী মনা লৈগনি।

চেলেঞ্জ অসিবু মপূং ফাহনবদা মীয়াম্না মতেং পাংবীনবা ফোঙদোকখি।

## ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট অমদি ষ্টেট ওপন বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপ হৌদোকখ্রে

# ইম্ফাল ৱেষ্ট, বিষ্ণুপুরনা সিনিয়র মিক্স টিম ফাইনেলদা থেংনরগনি



ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৭ (ঐচ এন এস):
মণিপুর বেদমিন্টন এসোসিএসননা শীন্দুনা ৩৯শুবা ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট অমদি ৬৬শুবা ষ্টেট ওপন বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপ ঙসি দি এম য়ুনিভর্সিটি কমপ্লেক্সতা লৈবা এম বি এ ইন্দোর হোলদা মিনিষ্টর অৱাংবৌ ন্যুমাইনা অথোইবা মীথুংলেন ওইদুনা হৌদোকখ্রে।

ঙসি অহৌবা নুমিৎতা শান্নখিবা সিনিয়র মিক্স টিমগী অহানবা সেমীফাইনেল মেটচতা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট বেদমিন্টন এসোসিএসননা ইম্ফাল ইষ্টপু ৩-১দা অদুগা অনীশুবা সেমীফাইনেলদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট বেদমিন্টন এসোসিএসননা ককচীং দিষ্ট্রিক্ট বেদমিন্টন এসোসিএসনবু ৩-০দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখি।

জুনিয়র মিক্স টিমগী অহানবা সেমীফাইনেলদা ইম্ফাল ৱেষ্টনা ককচীং দিষ্ট্রিক্ট বেদমিন্টন এসোসিএসনবু ষ্ট্রেট সেট ৩-০দা অদুগা অনীশুবা সেমীফাইনেলদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট বেদমিন্টন এসোসিএসননা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট বেদমিন্টন এসোসিএসনবু সেট ৩-২দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

# ষ্টেটনা কো-হোষ্ট ওইনবা শেম শাখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৭ (ঐচ এন এস):
এসিয়াগী খ্বাইদগী লীরবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট দুরান্দ কপকী ১৩১ শুবা এদিসনগী গ্রুপ-সীগী পূন্না মেটচ ১০গী য়ূম্বু ওইনবা মণিপুরনা শেম শাবা লোইখ্রে।

ষ্টেটকী আই লীগ টিম ওইরিবা নেরোকা এফ সী অমদি ট্রাও এফ সীনা থা অসিগী ১৮গী নুমিদাংৱাইরম পুং ৬তা অহানবা মেটচ ওইনা খুমন লম্পাক ম্যেন ষ্টেদিয়মদা থেংনরগনি। গ্রুপ সীদা চেন্নাইন এফ সী, হায়দরবাদ এফ সী অমদি রেদ আর্মি ফুটবোল টিমনা শরুক য়ারি।

# ইনভাইটেসন জিম্নাষ্টিক্স চেম্পিয়নশিপ পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৭ (ঐচ এন এস):
ওল মণিপুর জিম্নাষ্টিক্স এসোসিএসনগী লমজিং মখাদা মণিপুর জিম্নাষ্টস পেরেন্টস এসোসিএসননা শীন্দুনা ৩শুবা ইনভাইটেসন জিম্নাষ্টিক্স চেম্পিয়নশিপ (আর্টিষ্টিক্স এন্দ এরোবিক জিম্নাষ্টিক্স) থা অসিগী ১৯ অমদি ২০দা খুমন লম্পাক ইন্দোর হোলদা পাঙথোক্লগনি।

শরুক য়ানিংবা শান্নরোয়শিংনা মরী লৈনবা চে-চাংশিং এম জি পি এগী টেম্পররি ওফিস খুমন লম্পাক ইন্দোর হোলদা পীশিল্লক্লবা খঙহল্লক্লি। চেম্পিয়নশিপ অসিগী ফোর্ম থাবা থা অসিগী ৮দগী হৌরগনি অদুগা ফোর্ম পীশিল্লকপগী অরোইবা মতম্না থা অসিগী ১৪ ফাওবনি।

# ককচীং দিষ্ট্রিক্ট ওলিম্পিক এসোসিএসন শেমখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৭ (ঐচ এন এস): ককচীং দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা তোঙান-তোঙানবা স্পোর্টস দিসিপ্লিন ১৪- ফুটবোল, হোক্কী, আর্চরি, ভোলিবোল, বেদমিন্টন, টেবল টেন্নিস, খো-খো, স্বিম্মিং, ট্রাইথলোন, ৱুশু, মুক্না, কবাদ্দি, এথলেটিক্স অমদি বোক্সিংগী মীহুৎশিংনা শরুক য়াদুনা ঙসি দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন ককচীংগী ওফিসতা মীফম অমা ফম্লবা মতুং ককচীং দিষ্ট্রিক্ট ওলিম্পিক এসোসিএসন শেমখ্রে।

এসোসিএসন অসিগী প্রসিদেন্ট ওইনা কে এস ঐচ ধর্ম্মদাস অদুগা জেনরেল সেক্রেটরি ওইনা মোইরাংথেম নিলো খনখিবগা লোয়নননা এগজিক্যুটিভ কম্মিটিগী মেম্বর ১৭সু খনখি।

# হোক্কী মণিপুরনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি


ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৭ (ঐচ এন এস):
হোক্কী মণিপুরগী জোইন্ট সেক্রেটরি ওইরম্বা য়াইস্কুল হিরুহনবা লৈকাইদগী হুইদ্রোম বিশোলাল (জয়)না থা অসিগী ৬তা গুৱাহাটিগী জে এন আর সী হোস্পিটালদা লৈখিদববু হোক্কী মণিপুরগী মায়কৈদগী অৱাবা অমদি নুংঙাইতবা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না লৈখিদবদা মহাক্কী নুপী অমদি মচানুপী ২ থল্লম্মী।

হোক্কী মণিপুরনা শীন্দুনা ঙসি খুমন লম্পাক্তা লৈবা ওফিসতা কোনেদালেন্স মীফম অমা ফম্লবা মতুং মিনট ২ তুমিন্না লেপ্পুনা লৈখিদ্রবগী থৱায়না মপূগী মনাক্তা ঈংনা-চিক্না লৈরুনবা থৌনীখিবগা লোয়নননা ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়রি।

মহাক্না হিংলিঙৈদা হোক্কী মণিপুরগী তৌরম্বা থবক থৌরমশিংবু শীংথাখি।

# HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 537**

**Khodiakov - Martinov**
**corr, 1965**

1.e4 e5 2.Nf3 Nc6 3.Bb5 a6 4.Ba4 Nf6 5.O-O Be7
6.Re1 b5 7.Bb3 d6 8.c3 O-O 9.h3 Na5 10.Bc2 c5
11.d4 Qc7 12.Nbd2 cxd4 13.cxd4 Bb7 14.Nf1 Rac8 15.Re2 d5
16.dxe5 Nxe4 17.Ng3 Nxg3 18.fxg3 Rcd8 19.Ng5 h6 20.Qd3 g6
21.Nxf7 Bc5+ 22.Kh2 Qxf7 23.Bxh6 Nc6 24.e6 Qf5 25.Qd2 Qf6
26.Bg5 Qxb2 27.e7 Nxe7 28.Bxe7 Qxa1 29.Bxc5 Rf1 30.g4 Qc1
31.Qd3 Qf4+ 32.g3 Qf7 33.Bd4 Rd6 34.Qe3 Rc6 35.Qe5 Rcf6
36.Qb8+ Qf8 37.Qa7 R6f4 38.Bc5 d4 39.Rg2...

**QUESTION :**
**Black to win**

**Puzzle 536 Ans. :**
29. a3 Na6 30. Qxb6 The white queen deflects Black's pawn away from protecting the square d6. The white queen captures Black's queen, which was defending the square d6. cxb6 31. Nd6 The white knight clears the way for White's rook to the square e8. Rc7 32. Re8+ Rxe8 33. Rxe8# Arabian mate
29. Rf3 Qg6 30. Nc5 Kg8 31. Rg3 Qf6 32. Ne4 Qb6 33. c5 Qb5+ 34. Kg1 Qd7 35. Nf6+ Kf8 36. Nxd7+ Rdxd7 37. c6 bxc6 38. Rge3 Rd8 39. Qc4 Nd5 40. Qc5+ Kg8 41. Re8+ Rxe8 42. Rxe8+ Kh7 43. Qc2+ g6 44. Qxc6 h5 45. Qxd5 Rf5 46. Re7+ Kh6 47. Qd2+ 1-0

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**OFFICE OF THE DEPUTY REGISTRAR OF SOCIETIES, KAKCHING DISTRICT**

**ꯆꯩꯊꯣꯛ / NOTICE FOR OBJECTION**
**Kakching, the 4th August, 2022**

**No. Pro/SR/Kak/2021-22:** It is hereby notified for general information that an application have been received by this office from N. Binoy Singh, members of the **"Kakching District Angling Association"** Kakching Super Market, Kakching District, Manipur on 4/8/2022 for registration under Section 4(1)(2) & Section 5 of Societies Registration Act, 1989 and Rule 5 of MSR Rules 2004 within the area of operation of **Whole Kakching District,** Manipur.

In the matter, Notice for objection is circulated/notified for information of general public/registered Assn. for submitting/ inviting objection if any in writing (Aadhaar of the complainant or Secretary with seal for orgn.) to the undersigned against the formation/registration of proposed **"Kakching District Angling Association"** within 15 (fifteen) days from the date of publication.

Complains/objection if not submitted during the mention period, the application for registration in the proposed **"Kakching District Angling Association"** Kakching Super Market, Kakching District may be initiated/considered/proceeded for registration as deem fit under Section 7 (1) (2) of SR Act 1989 and Rule 6 of MSR Rules 2004.

Any objection receiving by way of postal service/hand post/ special messenger after the above-mentioned period will not be considered/entertained.

*Sd/-* **K. Dilipkumar Singh**
Deputy Registrar of Societies,
Kakching District.

HL-P/3372/6,7,8

APOLLO ACADEMY
Moulding Medical & Engineering Career
ADMISSION OPEN
FOUNDATION COURSE - XI Sc. (CBSE & BOSEM)
Class commence on : 1st August, 2022
FOUNDATION COURSE - XII Sc. (CBSE & BOSEM)
Class commence on : 8th August, 2022
Special features
● NEET & Engg. Nurture Class
● Unitwise / Chapterwise Test (every Sunday)
● Descriptive / MCQ Type Test
● Hostel for Boys & Girls
For more details, please contact:
Coordinator, APOLLO Academy
Kwakeithel Bazar, Near AMUCO Office
(7:00 a.m. - 4:00 p.m.)
8258013846
HL-B/7662/31/7-14/8 (alt)

SPOKEN ENGLISH
Classes for groups and special class for only one person
For Seniors, College and University Students
■Grammar ■Pronunciation ■Group discussion ■Public speaking ■Vocabulary
Global Spoken English, Gourahari Market,
Behind Pologround, Near Hotel Christina, Paona Bazaar, Imphal
(Timing: 5:00 am, 6:10 am, 7:40am, 11:00 am, 1:00pm, 4:00 pm, 5:30pm)
Instructors: Sir Tejkumar (Teaching Since 1987)
Alice Thokchom (MA English, Punjab University)
Contact Numbers: 8132904426, 9362150894
HL-B/7775/2/8-28/9

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com